# পেলেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর হাৎনবা হোৎনরকখিবা মীওই ফাবদা মীওই অনী শিখ্রে

গাজা, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :

মমাঙ চয়োলদা পেলেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর রামি হমদালা হাৎনবা হোৎনরকখিবা মীওই অমা গাজাদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ফাখিবগা লোয়ননা নাকল অনী খূৎ থোক্লবদা সিক্যুরিটি ওফিসর অনী শিরে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।



মশক-মমিং তাকথোক্লিবা ফারবা মীওই অদুসু সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা নোংমৈ কাপ্লবদা অশোক-অপন নংলে হায়রি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা খূৎলায় পায়বা মীওই অনীসু গাজাদগী ফাবা ঙমখি।

হৌখিবা মার্চ ১৩ দা খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা গাজাদা বোম পোক-খায়হনখিবগা লোয়ননা হমদালা অমদি পেলেষ্টিনিয়ন সিক্যুরিটি চীফ মাজিদ ফরাজগী কনভোইদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথ্থরকখি। লাইবক ফবদগী থৌদোক অদুদা হমদালা অমসুং মাজিদ ফরাজ অশোক-অপন নংখিদে।

বোম পোকখায়হন্দুনা চথ্থরকখিবা এটেক অদুগী মতাংদা পেলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মহমদ অবাসনা হমাসকী মথক্তা মরাল শীখি। অমরোমদা হমাসনা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা পাউ পীবা ঙম্বদা দোলর ৫০০০ গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখি।

ইজরেলনা খুদুম চন্দুনা থল্লিবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈরিবা অবাসনা হমদালাদা এটেক চথ্থরকখিবগী থৌওং অদুদা হমাসকী খূৎ য়াওই হায়বগী মতাংদা মতিক চাবা খুদম অমত্তা পুথোরকপা লৈখিদে। অদুম ওইনমক মহাক্না হায়খি মদুদি হীরম অসিদা হমাসনা চথ্থরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা থোইদোক্লা থাজবা থম্নিংঙাই ওইদে।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০০৭ তা হমাসনা ফটাহগা শম্নবা ফোর্সতগী গাজা ষ্ট্রিপ খুদুম চনখিবনি। পেলেষ্টিনিয়ন ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি, মার্চ ১৩ গী অয়ুক অঙনবদা শকখঙদবা মীওই খরনা অৱাং থংবা গাজাদা পেলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিগী প্রাইম মিনিষ্টর রামি হমদালা হাৎনবা হোৎনরকখি। অনৌবা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অমা হাংদোক্লবগীদমক গাজাদা লাকখিবা প্রাইম মিনিষ্টরদা খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা এটেক চথ্থরকখিবনি।

ইরেজ বোর্দর ক্রোসিংদা চথ্থরকখিবা এটেক অদুদা অমুবা মচুগী এস য়ু ভি কার অমা অমাঙ-অতা থোকখিবা নত্তনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক-অপন নংখিদে হায়না পেলেষ্টিনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরিয়র অমদি নেসনল সিক্যুরিটিগী স্পোক্সমেন ইয়াদ অল-বোজোমনা ফোঙদোকখি।

এটেক চথ্থরকখিবা মতম অদুদা পেলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিগী মিনিষ্টর ওফ ইন্টলিজেন্স মাজিদ ফরাজসু কনভোই অদুদা য়াওখি। গাজাদা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট হাংদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবদা হমদালানা হায়খি, অসিগুম্বা মখলগী এটেক কয়া চথ্থরকপা তারবসু গাজাদা কয়ারক হন্না চঙখিগনি। প্রসিদেন্টকী স্পোক্সমেন নবিল অবু রুদিনিনা এটেক অদুগী মতাংদা হমাসপু মরাল শীখি।

# পেরুগী ভাইস প্রসিদেন্ট মার্টিন বিস্কারানা অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরগনি



লিমা, মার্চ ২২ (এজেন্সি) :

ইমপীচমেন্ট ভোট লৌনদ্রিঙৈগী মমাঙদা প্রসিদেন্ট পেদ্রো পেল্লো কুজিনস্কি মফম থাদোকখ্রবা মতুংদা পেরুগী ভাইস প্রসিদেন্ট মার্টিন বিস্কারাবু ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়না কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ওপোজিসন লোমেকর লুই গালারেতানা হায়খি, লৈবাক্কী লেজিসলেটিভ ব্লোক খূদিংমক্না কুজিনস্কি ফম থাদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীরে। ওপোজিসননা থাঙ্গৎলকপা থাজদবগী মোসন অমা মায়থীবা পীবা ঙম্বগী ফিভম লৈতবা মরম্না শগোলশেন নুমিৎতা কুজিনস্কিনা ফম থাদোকপগী ৱাফম লাউথোকখিবনি।

অমরোমদা, পেরুগী প্রোসিক্যুটরশিংনা ফম থাদোকখ্রবা প্রসিদেন্ট পেদ্রো পেল্লো কুজিনস্কিবু লৈবাক থাদোক্তুনা চৎহনখিদনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। হান্না য়ু এসকী সিটিজন ওইরম্বা মীওই অসি ফম থাদোকপগী ৱাফম কোংগ্রেসনা অয়াবা পীবগা লোয়ননা ভাইস প্রসিদেন্ট মার্টিন বিস্কারানা অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুংদা মীওই অসিগী মথক্তা প্রোসিক্যুসন চথ্থগনি হায়রি।

# সিরিয়ন গভর্নমেন্টনা ইষ্টর্ন ঘোটাদা হৌখিবা লালহৌ মপূং ফানা নমথবা ঙম্বগী ফিভমদা লৈরে : রিপোর্ট

*বৈরুট/দমাস্কস, মার্চ ২২ :*

*তোখায় তাবগী ঈহৌ হৌরিবা লালহৌবা কয়ামরুম খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা ইষ্টর্ন ঘোটাদা সিরিয়ন গভর্নমেন্টনা লালহৌবশিং মপূং ফানা লাকশিনবা ঙম্বগী ফিভমদা লৈরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।*

*চহী তরেৎ শুরবা সিরিয়াগী লানদা খ্বাইদগী তমথীবা মওংদা দমাস্কস মনাক নক্লা লৈবা ইষ্টর্ন ঘোটাদা আর্মিনা চথ্থবা ওপরেসনদা মীওই ১৫০০ হেন্না শিবা লৈখ্রবনি। রোইটর্জকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, সিরিয়ন গভর্নমেন্টকা মরূপ-মপাং ওইনবা রসিয়ানা লৌখৎপা থৌরাং অমগী মখাদা সেপরেটিষ্ট কয়ামরুম খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবা শেম-শারে। লালহৌবশিং অদু ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা হোন্দোরক্ল বগীদমক বস ১৫ রোম হরষ্টা টাউনদা থৌজিনখি হায়রি।*

*অমরোমদা, সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী রিপোর্টনা হায়খ্রে মদুদি রেবেল ফোর্সেসনা খুদুম চন্দুনা থল্লম্বা দোমা টাউনদগী মীওই ৪০০০ রোম গভর্নমেন্টকী মায়কৈদা চেনশিনখ্রে। হৌজিক হৌজিক দোমা, জোবার, ইন টরমা, অরবিন অমসুং জমালকা টাউন খক্তমক রেবেল ফোর্সেসনা কন্ট্রোল তৌহৌরে।*

*কুমজা ২০১৬ তা প্রসিদেন্ট বাসর অল অসাদনা অলেপ্পো খুদুম চনখ্রবা মতুংদা সিরিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা লালহৌবনা খুদুম চল্লম্বা মফম অয়াম্বা মথং মথং লৌশিনবা ঙম্লকখি। শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্তা ইষ্টর্ন ঘোটাগী অরবিন অমসুং জমালকা টাউনদা নোংথক্তগী এটেক চথ্থবদা মীওই ১৯ শিখি হায়না ওবজর্ভেটরিনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা অসাদ মশামক ইষ্টর্ন ঘোটাগী মফম অমদা চৎতুনা রেবেল ফোর্সেসকী মখূৎতগী নৌনা খুদুম চনশিনবা ঙমখ্রবা মফম কয়া য়েংশিনখি।*

*ষ্টেট টেলিভিজনদা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা রেবেল ফোর্সেসনা থাদোরক্লবা সিরিয়ন লান্মী অমনা হায়খি মদুদি লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা রেবেল ফাইটর অয়াম্বা খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। ইষ্টর্ন ঘোটাদা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা মফম ওইরিবা দোমাবু গভর্নমেন্টকী লান্মীশিংনা চয়োল অমা হেন্না লাঙ্গোই চনশিন্দুনা থমখিবগা লোয়ননা রেবেল ফাইটর অয়াম্বা খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজনবা শেম-শারে হায়না জাইশ অল-ইস্লামগী লূচিংবা অমনা ফোঙদোকখি।*

*লানগী চৈথেং ফংলবা মীচম কয়া চেন্থোরক্লবা হোৎনবদা রেবেল ফাইটরশিংনা অথিংবা পীরে হায়না সিরিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং রসিয়ানা মরাল শীদুনা লাকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা সিরিয়ন ওবজর্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি, রেবেল ফোর্সেসনা দমাস্কস অমসুং মনাক নকপা মফমশিংদা এটেক চথ্থবা লেপ্পগা লোয়ননা গভর্নমেন্টকী লান্মীশিংনসু ইষ্টর্ন ঘোটা য়াওনা মফম কয়াদা লৈরিবা লালহৌবশিংগী মথক্তা নোংথক্তগী এটেক চথ্থবা লেপকদবনি।*

*হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা গভর্নমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা টাউন অমদা রোকেট কাপশিল্লকপদা মীওই কয়ামরুম শিখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা সিরিয়ন গভর্নমেন্টনা রেবেলশিংদা মরাল শীখিবা তারবসু থৌওং অদু ঐখোয়না চথ্থখিবা নত্তে হায়না রেবেলশিংগী মায়কৈদগী শেংদোরকখি। সিরিয়ন আর্মিনা ইষ্টর্ন ঘোটাদা চথ্থবা থৌওংবু নোংচুপ লৈবাকশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখ্রবনি।*

*হৌখিবা চয়োল খরগী মনুংদা মীওই লীশিং কয়ামরুম গভর্নমেন্টনা কন্ট্রোল তৌরিবা মফমদা চেনশিল্লকপা লৈখ্রে। সিরিয়ন গভর্নমেন্টকী লান্মীশিংনা নোংথক্তগী লেপ্তুনা বোম থাদদুনা এটেক চথ্থরকখিবা মরম্না মীচম-মীয়াম্না ইষ্টর্ন ঘোটা অমদি লালহৌবনা খুদুম চল্লিবা অতৈ মফমশিংদগী চেন্থোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লখি। হৌজিক হৌজিক আর্মি অমসুং অশরর অল-সামগী মরক্তা লানফা থাদোক্লবগী থৌরাং অমা লৌখৎলি।*

# ইন্দিয়াগা লোন্নবা ঙমখৈ ঙাক্লিবা চাইনিজ লান্মীশিং মিলিটরি কম্মান্দগী মখাদা হকথেংননা থমখ্রে



বৈজিং, মার্চ ২২ (এজেন্সি):

ইন্দিয়াগা লোন্নবা ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিং য়াওনা চাইনাগী ফ্রন্টিয়র ট্রুপ পূম্নমক মিলিটরি কম্মান্দগী মখাদা হকথেংননা থল্লে হায়না ন্যুজ রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

গ্লোবেল টাইমসকী রিপোর্টনা হায়খি, প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা লূচিংবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনা (সী পি সী) না ফ্রন্টিয়র ডিফেন্স ট্রুপশিং পীপলস আর্মদ পুলিস (পি এ পি) দগী লৌথোক্লগা মিলিটরি কম্মান্দগী মখাদা হকথেংননা থমখিবনি। আর্মদ ফোর্সেসকী থবক থৌরমশিং য়েংশিনবদা খুদোং-চানবগীদমক অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ পীপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) গী ওফিসল ৱেবসাইটতা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, মমাঙদা আর্মদ পুলিসকী শরুক অমা ওইরম্বা অমসুং ইনষ্টিট্যুট ওফ ষ্টেট কাউন্সিলগী মখাদা লৈরম্বা লান্মী পূম্নমক মিলিটরি কম্মান্দগী মখাদা হকথেংননা থল্লগনি।

নৌনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগা লোন্নবা কিলোমিটর ৩,৪৮৮ শাংবা লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রেল (এল এ সী) ঙাক্লিবা লান্মী পূম্নমক পি এল এগী মখাদা থমদুনা জি জিনপিংনা লূচিংবা সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মিসন (সী এম সী) গী মখাদা থবক তৌরগনি। মমাঙ চয়োলদা জি জিনপিং অনীরকশুবা টর্মগী ওইনা লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট অমসুং সী এম সীগী চ্যেরমেন ওইনা নেসনল পীপলস কোংগ্রেস (এন পি সী) না খনবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা শিবা নৎত্রগা ফিভম থীনা শোকপা মতমদা মশানা হান্না ফংলম্বা তোলোপকী শেনফম অদুমক কায়দনা পেন্সন ওইনা পীরগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। হান্নদি ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা লান্মীশিং শিবা নৎত্রগা শোকপা মতমদা হান্না ফংলম্বা তোলোপকী চাদা ৩০ খক্তমক পেন্সন ওইনা পীরম্বনি।

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংবু পূক্নিং থৌগৎনবগী পান্দমদনি হায়না মিলিটরি এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি। ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈ ঙাক্লিবা আর্মদ ফোর্সেসকী পর্সনেলশিংদা ফেমিলি পেন্সন পীবগী থৌরাং অসি মার্চ ৭ তগী পারগা চৎনবা হৌগনি হায়রি।


## /WALLET LOST

I have lost my Wallet containing SBI ATM Card issued by SBI Porompat Branch, Office Identity Card issued by MSPCL, Blood Donor Card issued by JNIMS, Extra Personal key & Important Documents, on the way between Khurai Lamlong Bazar to Lairikyengbam Leikai on 20/03/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Yumkhaibam Nilakumar Singh**
***Khurai Puthiba Leikai***
☎ **9774252042**

*HL-P/824/23*

## /DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet cum Certificate & Admit Card of HSLC Examination, bearing Roll No. 32989 of 2014 issued by BOSEM and Original Marksheet cum Certificate & Admit Card of Hr. Sec. Examination, bearing Roll No. 10209 of 2016 issued by COHSEM, on the way from Imphal College to Keishampat on 1st March, 2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Namoijam Pasur Singh**
Keishamthong ☎ **7641812129**

*HL-P/821/23*

## / WANTED URGENTLY

| Sl.No. | Particular | Salary |
| --- | --- | --- |
| 1. | 2 (Two) Nos. Male Kitchen helper *Age below 45 years* | *Negotiable* |
| 2. | 2 (Two) Nos. Female Helper cum *waitress* | *Negotiable* |
| 3. | 1 (One) Driver, Age below 45 yrs. | *Negotiable* |

☞ **AADHAAR CARD COMPULSORY**

*Sd/-* **MANAGER,**
**RIMS GENTS CANTEEN**
**Opp: Boys Hostel No. III**
**RIMS Campus**

***Contact Nos.:*** ☎ **7628085774**
☎ **7629859695**

*HL-P/823/23*

## WALK IN INTERVIEW
## On 26th March 2018

| Sl. No. | Name of Post | Qualification No. of Posts |
| --- | --- | --- |
| 1. | English GT | BA/MA, B.Ed with good Eng. Command |
| 2. | Science GT | B.Sc./M.Sc., B.Ed with good Eng. Command |
| 3. | Social Science GT | BA/MA, B.Ed with good Eng. Command |
| 4. | Manipur GT (Meitei Mayek) | BA/MA, B.Ed with. Command on Meitei Mayek |
| 5. | Nursery Rhyme | 12th Standard with D.EL.ED |

- Graduate/Post Graduate who have command on his/her own discipline can also applied for.
- Pay Scale : 4000 – 8,200 PM

Please Contact

Principal
Nilamani English School,
Mayang Imphal Bazar

*HL-P/830/23*

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

***Vide:- Mut. Case No. 126/SDC/Oinam of 2018***

1. Kshetrimayum Shyamkumar Singh S/o (L) Mani Singh of Kwakeithel Akham Leikai.

...... *Applicant*

-Vrs-

1. Kshetrimayum Mani Singh S/o (L) Jagamahol Singh of Kwakeithel.

...... *O.P. Party*

### /NOTICE

Dt. 22/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩৩-ঙাইখোং খুনৌগী পাট্টা নং ৭ অরিবা ৮৩ অনৌবা দাগ নং ৬৩/৮১ এরিয়া ১.৫০ একর ফৌরেল লৌফম অসিগী মমাং থংবদা এরিয়া ০.৬২ একরগী লম কো-পাট্টাদার মনি সিংহ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মহাক্কী মচানুপা দংকারিনা লমসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। লমসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারল্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* ***Sub-Deputy Collector**, **Oinam***

*HL-P/829/23*

## /DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet and Certificate of HSLC Examination, bearing Roll No. 8457 of 2010 issued by BOSEM & Original Marksheet and Certificate of Higher Secondary Final Examination bearing Roll No. 085318 of 2012 issued by Assam Hr. Sec. Education Council, Guwahati, on the way from Babupara to Thangmeiband on 20/03/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Watham Maheswar Singh**

*HL-P/826/23*

## /PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book bearing P.P.O No. 13263 issued by Accountant General (A.G) Manipur, on the way between Yaiskul to A.G Office on 18/03/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **A. (O) Sujata Devi**
***Yaiskul Jamasthan, Imphal***
☎ **7085383749**

*HL-P/825/23*

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

***Ref:- Mut. Case No. 322/SDC/NBL of 2018***

Ningthoujam Jarmenjoy Singh S/o (L) N. Modhu Singh of Nambol Kongkham Mayai Leikai.

...... *Petitioner*

-Vrs-

(L) Ningthoujam Sanajaoba Singh S/o (L) N. Hem Singh of Kongkham.

...... *Pattadar*

### /NOTICE

Dt. 21/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ২২-নাওরেম পাট্টা নং ৪০৬ (অরিবা) ৪৩২ (অনৌবা) দাগ নং ১৪২০ এরিয়া ০.৬৮ একর ওফ ফৌরেল ক্লাস হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমীংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Dhiren Singh**
***Sub-Deputy Collector**, **Nambol***

*HL-P/827/23*

## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

### /NOTICE

Dated : 9/03/2018

No.IMC/92/RO/Shop-Trnf/2016/News Approval - অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Market No. 3, New Market Shed No. 3, L.No. 1059 শ্রী/শ্রীমতি Asem (O) Ibeyaima Devi W/o A. Ibotombi Singh Keishamthong Hodam Leirak কী মীংদা Women Vendor পানবা অসি Vendor মশা লৈখিদ্রে, মরম অদুনা মৃতু Licence Holder গী মচাশিংনা Asem Usha Devi W/o (L) S. Meghachandra Singh of Sagolband Langjing Achouba দা Women Vendor গী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Lessee গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি Lessee গী মীং ওনখ্রগনি।

*Sd-* **Assistant Municipal Commissioner**
Imphal Municipal Corporation

*HL-P/822/23*

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

***Ref:- Mut. Case No. 321/SDC/NBL of 2018***

R.K. Haridutta Singh S/o R.K Nikunja Singh of Balaram Khul.

...... *Petitioner*

-Vrs-

(L) R.K. Nikunja Singh S/o R.K. Sanahal Singh of Balaram Khul.

...... *Pattadar*

### /NOTICE

Dt. 21/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ২৩-মাইবম পাট্টা নং ৮৪৪ (অনৌবা) দাগ নং ১৫৮৮ এরিয়া ১.০৫ একর ওফ তাওথবী ক্লাস হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমীংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Dhiren Singh**
***Sub-Deputy Collector**, **Nambol***

*HL-P/827/23*

## IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

***Ref:- Mut. Case No. 325/SDC/IW-L/2018***

1. Yendrembam Dhananjoy Singh S/o (L) Khaidem (N) Yendrembam (O) Tampak Devi of Kwakeithel Thokchom Leikai.
2. –Do– Thaibema Devi D/o Dhananjoy Singh of –Do–.

*-Petitioners*

*-Vs-*

Late Khaidem Pramodini Devi D/o (L) Komol Singh of Kwakeithel Thokchom Leikai.

*-O.P. Party*

### /NOTICE

The 21/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার খাইদেম প্রমোদিনি দেবী, পীং মৃ: কোমোল সিংহ, সাং ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৬-লমদেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৮০৬, দাগ নং ৪৮/৮২৭ অমসুং এরিয়ানা ২.৫০ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector: IW: Lamsang

*HL-P/3248/23*

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

***Ref:- Mut. Case No. 323/SDC/NBL of 2018***

Asem Domen Singh S/o A. Chandramani Singh of Pukhrambam Maning Leikai.

...... *Petitioner*

-Vrs-

(L) Wairokpam Achou Singh S/o (L) A. Hera Singh of Thounaojam.

...... *Pattadar*

### /NOTICE

Dt. 21/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১০-পুখ্রম্বম পাট্টা নং ৫০ (অনৌবা) দাগ নং ৩২ এরিয়া ০.৮৪ একর ওফ অঙনফৌ ক্লাস হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমীংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Dhiren Singh**
***Sub-Deputy Collector**, **Nambol***

*HL-P/827/23*

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

***Ref:- Mut. Case No. 324/SDC/NBL of 2018***

Wahengbam Dewan Singh S/o (L) W. Tomcha Singh of Ishok Maning Chingya.

...... *Petitioner*

-Vrs-

(L) Wahengbam Tomcha Singh S/o (L) W. Ibocha Singh of Ishok.

...... *Pattadar*

### /NOTICE

Dt. 21/03/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১৩-ইশোক পাট্টা নং ৪৯৮ (অনৌবা) দাগ নং ১৪০/২০৬ এরিয়া ০.৯৩ একর ওফ ইঙ্খোল ক্লাস হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমীংদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Dhiren Singh**
***Sub-Deputy Collector**, **Nambol***

*HL-P/827/23*